HUEIYEN LANPAO

# ফিলিপিন্সকী কোষ্ট গার্দ জহাজতা চাইনিজ জহাজনা লেজর লাইট কাপশিল্লকই হায়না মনিলানা মরাল শীখ্রে



মনিলা, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): চাইনাগী কোষ্ট গার্দ জহাজ অমনা ফিলিপিন্সকী কোষ্ট গার্দ ভেসেল অমদা মিলিটরি গ্রেদকী লেজর কাপশিল্লকখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মনিলানা ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অদু মনিলাগী সোভরেন্ট রাইটশিং খোঙ্গাওনবনি হায়রদুনা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা ফিলি-পিন্সকী কোষ্ট গার্দ ভেসেল অদুগী ক্রু মেম্বর খরা মতম খরগী ওইনা মমিৎ উখিদে হায়নসু মনিলানা ফোঙদোকখ্রে।

ফিলিপিন্স কোষ্ট গার্দনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ফেব্রুৱারী ৬ তা চাইনিজ জহাজ অদুনা য়াম্না নকশিন্ননা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা মেনুবর তৌদুনা ফিলিপিন্সকী পেট্রোল বেসেল (বি আর টি) মালাপাস্কুৱানা অনীশুবা থোমাস সোল তম্না চঙশিনবদা বেসেল অদুদগী মিটর ১৩৭ লোমদমক লাপ্না অথিংবা পীরকখি। অনীশুবা থোমাস সোল অসি ফিলিপিন ফোর্সেসনা ওক্যুপাইদ তৌখিবা ঈশিংদা লূপ্তুনা লৈবা রীফ অমনি হায়রি।

য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা চাইনানা চথুরকখিবা অকন অরিং শীংবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা কুমজা ২০২২ খক্তদা ফিলিপিন্সনা দিপ্লোমেটিক প্রোটেষ্ট ২০০ রোম ফাইল তৌখি। চাইনানা সাউথ চাইনা সী অপুন্বা ক্লেম তৌদুনা মফম অসিবু ক্লেম তৌরিবা অতৈ লৈবাকশিংদা হকথেংননা মুক্নবগী ফিভম অমদা লাক্লিবনি।

ফিলিপিন্সকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটরটে অমসুং মহাক্কী মহুৎ শীল্লিবা ফর্দিনান্দ মার্কোজ জুনিয়রনা বৈজিংদা মরুপ মপাং ওইবগী ইঙ্গিৎ কয়া উৎখ্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভমদি হন্থরকপা উখিদে। য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগী উংখৎনবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ফিলিপিন্স অমসুং য়ুএসকী মরক্তা মিলিটরি এল্লায়ন্স অমা শেম্বগী ফিভম ফাওবা লাক্লিবনি।

পনবা য়াবদি, ফর্দিনান্দ মার্কোজ জুনিয়রনা হৌখিবা জনুৱারীদা বৈজিংদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা চাইনাগী লূচিংবা সী জিনপিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা লৈখ্রবনি।

চাইনিজ কোষ্ট গার্দনা মমাঙদা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা ফিলিপিন্সকী কোষ্ট গার্দ জহাজশিং ব্লোক তৌনবা হোৎনবগী থৌদোকশিং থোকখিবা লৈরবসু চাইনিজ কোষ্ট গার্দ বেসেলনা লেজরশিং শীজিন্নদুনা ফিলিপিনো পর্সনেলশিংগী মরক্তা শোকহল্লকপা অসিদি মসিনা অহানবনি হায়না ফিলিপিন কোষ্ট গার্দকী স্পোক্স পার্সন কোমোদোর আর্মান বালিলোনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হিরম অসিগী মতাংদা মনিলাদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিদগী খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদে।

# নিগোসিএসন মায় পাকহনখিদবগী এক্স-ফাইনান্স মিনিষ্টরগী মায়োক্তা সিদিসন কেস লৌখৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): পাকিস্তান অমসুং ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ)কী মরক্তা বেলআউট পেকেজ দিল অমা পুরক্নবা চথুরকখিবা নিগোসিএসন মায় পাকহনখিদবগী মরালদা লৈবাক অসিগী হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং পাকিস্তান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী লূচিংবা সিনেটর সৌকট টরিনগী মায়োক্তা সিদিসনগী কেস অমা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ) গী সাইবর ক্রাইম ৱিংনা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, কেস অদু হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিনা ইন্টরনেটতা ওদিও লিক ওইহনখিবগী মরাল অমগা মরী লৈননা পাকিস্তান ইলেক্ট্রোনিক্স ক্রাইমস এক্ট (পি ই সি এ) ২০১৬ গী মখাদা মহাক্কী মায়োক্তা অর্সাদ মেহমুদনা ফাইল তৌখিবনি। এফ আই আর অদুদা পাকিস্তান পেনাল কোর্টকী সেক্সনশিং ১২৪-এ অমসুং ৫০৫ সু য়াওহনখ্রে হায়রি।



মদুগী নোংমা মাঙওইননা কোল্লিসন গভর্ণমেন্টনা এফ আই এবু হান্নগী মিনিষ্টর অসি ফাবগী অয়াবা পীখিবনি। মদু এজেন্সি অসিনা মহাকপু ফাননবা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা পীনবা হায়রকখিবা মতুংদনি। হান্নগী পঞ্জাব অমসুং খাইবর পাক্তুনখুৱাগী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং চেন্নবা লিক ওইখিবা টরিনগী ওদিওশিং অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা চথুরকখিবা প্রোব এজেন্সি অসিনা মপুং ফানা লোইশিনখ্রে।

টরিন অমসুং হান্নগী প্রোভিন্সিএল ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং অসিগী মায়োক্তনা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবগী ওদিওশিং ইন্টরনেটতা শন্দোরকখিবা মতুং মমাঙগী চহীদা ফেদরেল প্রোবিং ওথোরিটি অসিনা হিরম অসিগী মতাংদা ইনক্কারি অমা চথুবা হৌখিবনি। প্রোভিন্স অনীগী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিং অমসুং টরিনগী মায়োক্তা ফোনদা ৱারী শানখিবগী ওদিওশিং অদুনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্ট অমসুং পি টি আইগী মরক্তা কন্না অৱাই অখুম তৌনরকখি। গভর্ণমেন্টনা পি টি আইবু শাথিরবা ঈশিং ঈচাওগী মতুংদা আই এম এফকা দিল অমা পুরক্নবা চথুরকখিবা নিগোসিএসন অতম্ননা অরেম্বা তাহন্নবা হোৎনখি হায়বসি টরিনগা প্রোভিন্সিএল ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংগা ফোনদা ৱারী শানখিবা অদুদগী খঙবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোক্লদুনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা সিদিসনগী কেস অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি।

# য়ুহা হাবদা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শীখিবা মী মশিং ৩৩,০০০ হেল্লে

অঙ্করা/দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী তরুক্তা থোকখিবা অকনবা য়ুহা অনীনা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিহনখিবা মী মশিং ৩৩,০০০ হেল্লে হায়বসি লৈবাক অনীগী দিজাষ্টর এজেন্সিশিংগী দেটানা উৎখ্রে। টর্কিগী দিজাষ্টর এজেন্সিগী রিপোর্ট পল্লদুনা অনাদোলু এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি টর্কিদা থোকখিবা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুদা শিখিবা মী মশিং ২৯,৬০৫ য়ৌরে।

য়ুমথংনরিবা সিরিয়াদা শিখিবা মী মশিংশিংগা পাবদা হন্দক্কী য়ুহাশিং অদুদা শিখিবা মী মশিং ৩৩,০০০ হেল্লে।

মীওই লিশিং কয়া অশোক অপন নঙলি। থাংজ নুমিত্তা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থারকখিবা রিলিফকী শরুক ওইনা টেন্টশিং অমসুং ব্লাঙ্কেটশিং য়াওবা ইমর্জেন্সি এইদকী অহানবা বেটচ টর্কিদা থুংখি।

চাইনাদগী মখা তানা টেন্টশিং, ইলেক্ট্রোকার্দিয়োগ্রাফশিং, অল্ট্রা সোনিক দাইগ্নোষ্টিক ইক্বিপমেন্ট য়াওনা অহেনবা ইমর্জেন্সি সপ্লাইশিং অমসুং মেদিকেল ট্রান্সফর ভেহিকলশিং বেটচ নাইনা থারক্লগনি হায়রি।

চৈরকসিদা মপানগী হেদ ওফ ষ্টেট অমসুং মিনিষ্টরশিংনা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা চত্তুনা লৈবাক অনীগী মীয়াম্না নঙলিবা অৱাবশিং মখোয়সু শরুক য়াবা পাম্মী হায়বদু লেপ্তুনা উৎনরি। গ্রিক ফোরেন মিনিষ্টর নিকোস দেঙ্গিয়স নোংমাইজিং নুমিত্তা টর্কিদা চৎতুনা মহাক্কী লৈবাক্না ৱারবা মতম অসিদা টর্কিবু সপোর্ট পীগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

কাটারগী ইমির সেখ টামিন বিন হামাদ অল থানিনা টর্কিদা চত্তুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগানগা নোংমাইজিং নুমিত্তা টর্কিদা উনখি। নুমিৎ অসিদা য়ু এ ইগী ফোরেন মিনিষ্টর সেখ অব্দুলা বিন জায়দ অল নায়ন্না সিরিয়াদা চত্তুনা য়ুহাগী চৈথেং চাওনা নঙলবা লৈবাক অদুবু লেপ্তুনা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি।

# রোকেট কাপশিল্লকপদগী ইজরেল্লি ফাইটর জেটশিংনা গাজাগী মিলিটরি পোষ্টতা ষ্ট্রাইক তৌখ্রে

গাজা, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): হৌখিবা থাংজদা গাজা ষ্ট্রিপতগী রোকেট অমা কাপশিল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেল্লি ফাইটর জেটশিংনা পলেষ্টিনিয়ন এনক্লেব অদুগী মিলিটরি পোষ্ট অমদা বোম্বিং রেইদ চথখ্রে হায়না ইস্লামিক রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট (হামাস) কী ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পলেষ্টিনিয়ন মিলিয়ন অনী হেন্না লৈরিবা সমুদ্র মপানগী এনক্লেব অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পোকখায়বগী মখোল কয়া তাখি। উহৌবা মীওই কয়ানা ইজরেল্লি এয়রক্রাফটনা রেইদ চথুরিবা মফমশিং অদুদা এম্বুলেন্সশিং অমসুং সিভিল দিফেন্স ক্রুশিং চঙশিনখি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইজরেল্লি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা এয়র রেইদ চথখিবা অন্দরগ্রাউন্দ পোষ্ট অদুনা মিসাইলশিং শাবদা শীজিন্নবা রো মেটরিএলশিং পুথোকই অমসুং পোষ্ট অদু হামাসনা চল্লাইবনি। এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা হামাসকী মিলিটরি কেপেবিলিটিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা গাজাদগী কাপশিল্লকখিবা রোকেট অমা দিটেক্ট তৌবগা লোয়ননা লম্মখাংদা কাপথখি হায়না ইজরেল্লি মিলিটরিনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা জনুৱারী ১ দগী গাজা ষ্ট্রিপতগী ইজরেললোমদা রোকেটশিং কাপশিল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা এনক্লেব অদুদা লৈবা হামাসকী মিলিটরি পোষ্টশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবসি মসিনা অহুমশুবনি।

---

## ওফিস ওফ ডি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

তাং ১৩-০২-২০২৩

No.IMC/85/RO/SR/2015-17 (Pt-IV): G-20 Summit কা মরী লৈননা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি। মদুদি কোর্পোরেসন অসিগী মনুংদা দুকান ফম্বীরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা মীয়ামগী চখোক চৎশিন তৌরিবা ফুটপাথ মথক্তা পোৎ-চৈ হেন্দোক্লা থম্লগা য়োনবা, পৈশিনবনচিংবশিং তৌরিবা অসি খুদক্তগী তোকপীয়ু অমদি লম্বী সড়ক্তা ফাওবা হেঞ্জিন্না পোৎ-চৈ থমজিন-পৈশিনবনচিংবা তৌবা য়ারোই। কনাগুম্বনা হায়রিবা থবকশিং অসি তৌবা তারবদি Manipur Municipalities Act, 1994 গী মখাদা Obstruction fine লৌরগনি।

**Sd/- K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8023/14

---

## ওফিস ওফ ডি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

তাং ১৩-০২-২০২৩

No.IMC/24/RO/3-Market/2020: খঙহঞ্জবা G-20 Summit গা মরী লৈননা ইমা কৈথেল ৩ (অহুম) অসিদা পোৎফম ফম্বীরিবা ইমা ইবেলশিংদা করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি মদুদি।

(ক) কৈথেল পোৎফম মথক্তা চাক হোতেল তৌরিবশিংনা মৈফু (চুলা), লৈরং, Electric Induction Heater, Rice Cooker নচিংবা শীজিন্নবা য়ারোই।

(খ) কৈথেল পোৎফম মরক্তা মখল অমত্তগী দুকান তৌবা/ফম্বা য়ারোই।

(গ) কৈথেল পোৎফম মরক্তা ঙা শেম্বা য়ারোই।

(ঘ) পোৎফম ফম্বীরিবা ইমা-ইবেলশিংনা অকে-অমৌগী ফিরোল য়োনবদা য়োৎ অমদি থৌরি তিংদুনা ফিরোলশিং অদু য়াল্লগা য়োনবা য়ারোই খুদক্তা লেপ্পীয়ু/লৌথোকপীয়ু।

(ঙ) পোৎফম অনীগী কারক খোং লম্বী অসিদা ট্রং, পোৎচৈ পৈশিনবা য়ারোই। মসি মীয়ামগী চখোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎপা পীদনবগীনি।

**Sd/- K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8022/14

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

**Mutation Case No. 50/SDC/IW(N)Sekmai of 2023**

Ngangom Biren, S/o (L) Ng. Nimai Singh of Tendongyan - Petitoner

-Vs-

(L) Arubam Kesho Singh, S/o (L) A. Mukta Singh of Tendongyan -Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTICE**

Sekmai, the 13/02/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 36-Tendongyan, Under Patta No. 164 (old), 13 (New) Covered by C.S. Dag No. 1093 গী area 0.17989 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথুজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/5949/14

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref. Mutation Case No. 126/SDC/SWG/2023**

Parties : (1) Wakambam Khoimu Singh, S/o (L) Tomba Singh of Pungdongbam Awang Leikai. (An area of .0733 acre on the Southern side of Dag No. 89 and whole area of Dag No. 578)
(2) Wakambam Raghu Singh, S/o (L) Tomba Singh of Pungdongbam Awang Leikai. (An area of .0733 acre on the northern side of Dag No. 89)
(3) Wakambam Premananda Singh, S/o (L) Ibocha Singh of Pungdongbam Awang Leikai (An area of .0733 acre on the middle portion of Dag No. 89) - Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Wakambam (O) Thambalngou Devi, W/o (L) Tomba Singh of Pungdongbam - Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 13th Feb., 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি শওম্বুং তহশিলগী খুল ন: ২৭-পুংদোংবম পট্টা ন: ২২৯ (অরিবা) ২৬৪ (অনৌবা) দাগ ন: ৫৭৮ অমসুং ৮৯ মোট এরিয়া ০.৭৩ অমসুং ০.২২ একর চাওবা ইঙ্খোল অমসুং অঙনফৌ/লৌফমগী পাট্টাদার ৱাকম্বম (ও) থম্বালঙৌ দেবী অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung**
Imphal East

HL-P/6051/14

---

## IMPHAL SMART CITY LIMITED

IMPHAL SMART CITY LIMITED
CIN: U45309MN2016SGC013502
**Directorate of MAHUD, PDA Complex, North AOC, Imphal-795001**
E-mail: ceoimphalsmartcity@gmail.com Website: www.imphalsmartcitylimited.com

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTICE**

Imphal, the 13th February 2023

No. 3/49/2023-ISCL/299: In view of the upcoming G20 submit, the removal of the old traffic poles will start with effect from 14.02.2023 at 1.00 PM onwards. It has been observed that multiple cable lines are hanging from these old traffic poles. Therefore, it is notified for information to all concern individual/agency/organization owning these cables for removing the same from the said old traffic poles located in the following given junctions within 1.00 PM of 14.02.2023. Imphal Smart City Ltd. shall not take any responsibility to the damages caused to these cable while removing the poles or entertain any kind of claim.

List of Junctions where old traffic poles shall be removed:

(1) Keishampat, (2) Kwakeithel, (3) GPO, (4) Raj Bhavan, (5) Singjamei (Chinga), (6) Kangla Western Gate, (7) LIC (Kangla Road), (8) North AOC (Kangla Northern Gate)

**Sd/- K. Japheth**
OSD, Imphal Smart City Ltd.

HL-B/8026/14

---

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## THE DIRECTORATE OF TRANSPORT

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTIFICATION**

Imphal, 13th February, 2023

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020/Pt-II/1436: In continuation of this office Notification even No of dated 10th February, 2023, it is to inform that those candidates who appeared in the written test for LDC (Office Assistant-cum-Computer Operator) for direct recruitment in Transport Department, Government of Manipur shall be eligible for Computer (Practical) Test to be conducted at **The State Academy of Training (SAT)**, Manipur, Takyelpat on **19-02-2023**.

Further, it is also reiterated that there will be no Computer (Practical) Test for the posts of Sub-Inspector (Enforcement) and Assistant Sub-Inspector (Enforcement & Taxes).

**Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director of Transport, Manipur

HL-P/8024/14

---

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## THE DIRECTORATE OF TRANSPORT

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTIFICATION**

Imphal, 10th February, 2023

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020/Pt-II/1435: It is hereby notified to all concerned that the computer (Practical) Test for direct recruitment to the post of LDC (Office Assistant-cum-Computer operator) in Transport Department, Government of Manipur shall be conducted at **The State Academy of Training (SAT)**, Manipur, Takyelpat on 19-02-2023 as per scheduled given below:

| Sl. No. | Time | Roll No. | Total Numbers of Candidates |
|---|---|---|---|
| 1. | 9:00 AM — 9:35 AM | 0001 - 0216 | 91 |
| 2. | 10:00 AM — 10:35 AM | 0217 - 0464 | 91 |
| 3. | 11:00 AM — 11:35 AM | 0466 - 0730 | 91 |
| 4. | 12:00 Noon-12:35 PM | 0731 - 0990 | 91 |
| 5. | 1:00 PM — 1:35 PM | 0994 - 1309 | 91 |
| 6. | 2:00 PM — 2:35 PM | 1311 - 1564 | 91 |
| 7. | 3:00 PM — 3:35 PM | 1566 - 1893 | 91 |
| 8. | 4:00 PM— 4:35 PM | 1895 - 2212 | 91 |
| | | Total = | 728 |

***Note:***

1. ***Candidates without Admit Cards will not be allowed to enter the examination hall.***
2. ***Candidates should report to the Examination Centre at least 30 minutes earlier before the start of the examination.***
3. ***Candidates are required to bring their own ball point pen (black/ blue).***

**Candidates who fail to report to the Examination Centre on time will not be entertained for any further request.**

**Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director of Transport
Manipur

HL-B/8025/14&15

---

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **NOTICE**

Imphal, the 13th February 2023

**No. 4/19/2022-IMC:** It is hereby notified that a bull (Jersey, white and black fur multi-color, one of the hind limb partly paralysed) was impounded from Nagamapal Road on 12th February, 2022 at about 8: 20 PM.

It is also further notified that the concerned cattle owner is directed to claim the respected cattle with proper documentary proof of ownership on payment of necessary fine/fees as applicable with an undertaking that, the aforesaid cattle should not be allowed to loiter in public streets or places in future. In the eventuality of failure to claim by the concerned owner of their respective cattle within 7 (seven) days from today, the Imphal Municipal Corporation shall be constraint to place the said cattle (bull) for public auction and the sale proceed shall be deposited in favour of the Imphal Municipal Corporation.

**Sd/- K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8023/14

---

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER, UKHRUL

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / **PUBLIC NOTICE**

Ukhrul, 10th February, 2023

**No.10/180/2021-REV(UKL)(AKASH)/0497:** Whereas, the Central Government, Ministry of Road Transport and Highways published Notification under section 3A of the National Highways Act, 1956 vide S.0 5344 (E) dated 23.12.2021 which was published in the official Gazette of India vide No. 4953 dated 23.12.2021 that the land described in the schedule was required for public purpose and further declared under section 3D of the Act vide Gazette Notification S.0.3418 (E) dated 27.07.2022 published in the official Gazette No.3256 dated 27.07.2022 that the said land specified in the schedule should be acquired for widening of two lane with pave shoulder, maintenance, management and operation of NH-202 in the stretch of land from km 0 to km 15 at Jessami Village, Ukhrul District in the State of Manipur, published in two local newspapers.

| Sl. No. | Notification | Section | Name of Newspapers published | Date of Newspaper |
|---|---|---|---|---|
| 1. | S.O. 5344(E) 23.12.2021 | 3A | Sangai Express & Hueiyen Lanpao | 12.02.2022 |
| 2. | S.O. 3418(E) 27.07.2022 | 3D | Sangai Express & Hueiyen Lanpao | 10.08.2022 |

Whereas, the Central Government declared under section 3D (2) of the National Highways Act that on publication of the notification in the official Gazette, the land measuring 25.9139665 hectares specified in the schedule shall vest absolutely in the Central Government, free from all encumbrances.

Whereas, the amount of compensation for land and standing properties has been determined under section 3G of the National Highways Act, for the stretch from km 325+440 to km 340+160 vide Award of even No. dated 06.12.2022. Whereas, NHIDCL has deposited the compensation amount with the CALA account as intimated by GM(P) NHIDCL, PMU-Ukhrul vide his letter NHIDCL/PMU-Ukhrul/Akash-Jessami/2021-22/2050 dated 06.02.2023 for disbursement to the project affected persons (PAPs).

Accordingly, all the concerned affected persons/interested persons are hereby informed and notified that the compensation amount would be released and payment shall be made through RTGS or e-transfer to the respective bank accounts of the affected persons.

Therefore, all the concerned affected persons/villagers are directed to submit their bank account details immediately to the office of the undersigned (CALA) so that the compensation amount can be credited to their account within a week. Any failure to collect the compensation amount shall be deemed to have been paid on expiry of sixty days from the date of publication of this notice.

Now, therefore in exercise of power conferred by section 3E (1) of the National Highways Act, 1956, the competent authority hereby directs all the affected owners as well as any other persons who may be in possession of such land to surrender or deliver possession thereof to the competent authority within sixty days from today failing which such defaulters would be forced to surrender such land to the competent authority.

***Sd/- Krishna Kumar, IAS***
*Deputy Commissioner, Ukhrul*

HL-B/8021/14